## দিমান্দশিং থুংহন্নবা আপিল তৌখ্রে

বৈরুট, নবেম্বর ০৯ (এজেন্সি) :
লেবাননগী সুনি মুস্লিমশিংগী মকোক থোংবা ক্লারিক গ্রান্দ মুফটিনা লৈবাক অদুদা লৈঙাক্কী পৱার পায়রিবশিংদা করপসন অমসুং কাঙলুপ নাইবগী থবক থৌশিলশিং লেপ্পবা প্রোটেষ্টরশিংনা তৌরিবা দিম্মান্দশিং থুংহন্নবা থাংজ নুমিত্তা আপিল তৌখ্রে।

প্রোফেট মোহম্মদগী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা ৱা ঙাঙবদা গ্রান্দ মুফটি সেইখ অব্দুল লটিফ দেরিয়ান্না এক্সপার্টশিংগী ওইবা নেসনল ইর্মজেন্সি গভর্নমেন্ট অমা য়াম্না থুনা শেম্বগী মতম ওইরে হায়নসু লাউথোকখি।

## কর্টার্পুরদা থুংখ্রে

কর্টার্পুর, নবেম্বর ০৯ (এজেন্সি) :
সিখিজম হৌদোক্লম্বা গুরু নানক দেবগী খুভমদা খুরুম্নবা ইন্দিয়াদগী চৎখিবা সিখ লাইফম কোয়বা ৫০০ থাংজ নুমিত্তা পাকিস্থানগী কর্টার্পুরদা থুংবা হৌখ্রে। পঞ্জাবগী চীফ মিনিষ্টর অমরিন্দর সিংহসু য়াওরিবা অহানবা দেলিগেসন অদু হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহনা লুচিংলিবনি।

## বোলিভিয়াদা মীয়ামগী প্রোটেষ্টতা পুলিস য়াওশিনখ্রে প্রসিদেন্ট মোরালিসনা দিমোক্রেসি কন্নবা আপিল তৌখ্রে



লপাজ, নবেম্বর ০৯ (এজেন্সি) :
বোলিভিয়াগী হৌখিবা থাদা পাঙথোকখিবা মীখলদা চয়েৎনবা লৈখিবা মীখল মতুংদা চয়োল কয়া পোলিটিকেলগী লৈখায় তাদবা ফিভম অমা লৈরিঙৈ চৈরত্তা প্রসিদেন্ট ঈভো মোরালিসতা অহেনবা প্রেসর পীবা খোঙথাং অমদা ইরাই নুমিৎকী অহিংদা লৈবাক অসিগী সিটি কয়াদা বোলিভিয়নশিংনা অমুক হন্না এন্টি-মোরালিস প্রোটেষ্টশিং পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মফম কয়াদা প্রোটেষ্টশিং অদুদা পুলিসসু য়াওশিনখ্রে হায়রি।

হন্দক্তগা অকনবা ইরাং থোকখিবা কোচাবম্বা সিটিদা পুলিস ওফিসরশিংনা গভর্নমেন্টকী ওর্দরশিং থৌশাদবগী মওংদা বোলিভিয়াগী ফিরাল পায়দুনা মখোয়গী হেদ ক্বাটরসকী য়ুমথক্তা কাখত্তুনা প্রোটেষ্ট তৌখি।

লোকেল টিলিভিজন্না শন্দাকপা ইমেজশিং অমসুং ফুটেজশিংদা অতৈ সিটিশিংদসু পুলিসনা প্রোটেষ্টরশিংগী খোঙচৎতা য়াওশিন্দুনা লেপটিষ্ট লিদর মোরালিসকী ওপোজিসন কাঙবুনা তোয়না শীজিন্নবা খোল্লাওশিং লাউখি।

পুলিস ফোর্সকী নেসনল কম্মান্দর অমসুং দিফেন্স মিনিষ্টরনা লৈবাক অদুগী মফম কয়াদা পুলিসনা মথক থোংবশিংগী ওর্দর থৌশাদবগী থৌওং পাক্তক্লনা চথরে হায়বা ৱাফম য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্না মফম খরদা পুলিসনা প্রোটেষ্টরশিংবু শৌগৎপগী থৌওং খরদি উৎপা লৈখি হায়খি।

লেটিন অমেরিকাগী মতম খ্বাইদগী শাংনা লৈঙাক্কী পৱার পায়রকখিবা মোরালিসনা হৌখিবা থাদা পাঙথোকখিবা লৈবাক অদুগী মীখলদা অমুক হন্না মায় পাকখিবা ওইরবসু ওক্তোবর ২০গী মীখলগী ভোট মশিং থিবা হৌখিবা মতুংদা নোংমা চুপ্পা ভোট মশিং থিবা লোইশিন্দবদগী মহাক্কী মায়োক্তা নমথাক্কী থৌওং চথবগী মরাল শীখিবনি। প্রোটেষ্টতা পুলিস য়াওশিল্লকখিবা মতুংদা প্রসিদেন্ট মোরালিসনা দেমোক্রেসি কন্ননবা মীয়ামদা আপিল তৌখ্রে।

## নাসাগী অহানবা ওল-ইলেক্ট্রিক এয়রক্রাফট উৎথোকখ্রে



ৱাশিংটন, নবেম্বর ০৯ (এজেন্সি) :
নাসাগী অহানবা ওল-ইলেক্ট্রিক এয়রক্রাফট এক্স-৫৭ মেক্সৱেল স্পেস এজেন্সি অসিনা মায়খুম হাংখ্রে। এয়রক্রাফট অসি য়ামদ্রবদা চহী অমমুক্কী মতুংদা অহানবা ফ্লাইট টেষ্ট পাঙথোক্কদবনি হায়রি।

ইরাই নুমিত্তা মায়খুম হাংখিবা মেক্সৱেল কৌবা এয়রক্রাফট অদু নাসানা চহী ২০ লোমগী মনুংদা অহানবা ওইনা পুথোক্লিবা ক্রু য়াওগদবা এক্স-প্লেননি। মদু ইতালিয়ন টেক্সনাম পি ২০০৬ টিগী মোদেলদা শাবনি হায়রি। নাসাগী অহানবা ওল-ইলেক্ট্রিক এক্সপ্রিমেন্টেল এয়রক্রাফট অদু হৌখিবা ওক্তোবর ২ দা কালিফোর্নিয়াগী সান লুই ওবিস্পোদা বেজ তৌবা ইম্পীরিকেল সিষ্টেমস এরোস্পেস (ঈ এস এরো)না নাসাদা শীন্নখিবনি।

ঈ এস এরোনা এক্স-৫৭ অদু নাসাগী অমষ্ট্রোং ফ্লাইট রিছার্স সেন্টর ঈদৱার্দস, কালিফোনিয়াদা শীন্নখিবনি। মদু কনফিগ্যুরেসন অহুমগী মনুংদা অহানবা ওইবা ওল-ইলেক্ট্রিক এয়রক্রাফট অমনি।

নাসানা মদুগী ইলেক্ট্রিক প্রোপুলসনদা ফোক্কস পীবা দিজাইন অমসুং এয়রৱার্দিনেসকী প্রোসেস রেগুল্যেটরশিং অমসুং ইন্দষ্ট্রিদা খঙহনবগা লোয়ননা সার্টিফিকেসনগী থবকশিং থুজিল্লগনি। এক্স-৫৭ অসিনা রিচার্জ তৌবা য়াবা লিথিয়ম আইওন বেট্রিশিং শীজিন্নরি। এয়রক্রাফট অসি তপ্পা পাইবা মতমদসু মশানা লিফ পীবা ঙম্ন বগীদমক্তা এয়রফ্লো হেনগৎহনবা ঙম্নবা হায়দুনা মশা শীন থুংনা মোটোর মচা ১০ হেন্না পাল্লি হায়রি।

## য়ুক্রেন, সেপরেটিষ্টশিংনা ট্রুপ লৌথোকপা হৌখ্রে



পেট্রিভস্কে, নবেম্বর ০৯ (এজেন্সি) :
য়ুক্রেনগী গভর্নমেন্ট ফোর্সশিং অমসুং রসিয়ানা শৌগৎপা রেবেলশিংনা থাংজ নুমিত্তা নোংপোক থংবা দোনবাস লমদমদা লৈবা ভিলেজ অমদগী ট্রুপশিং অমদি খুৎশু-খুৎলায়শিং লৌথোকপা হৌখ্রে হায়রি।

পেট্রিভস্কে ভিলেজদগী ট্রুপ অমদি খুৎশু-খুৎলায়শিং লৌথোক্লিবদু নাকল অনীগী মরক্তা অমনা অমবু থাজহনবগী খোঙথাংশিংগী মনুংদা অমনি। মদুনা য়ুক্রেন, রসিয়া, ফ্রান্স অমসুং জর্মনিগী মরক্তা দোনবাসকী কনফ্লিক্ট অদু লোইশিনবা য়ানবগী পান্দমদা লৈবাক ৪ গী ওইবা সম্মিট অমা পাঙথোক্লবগী লম্বী ফাৎলগনি হায়না থাজনরি।

কুমজা ২০১৪ দগী য়ুক্রেনগী ফোর্সশিং অমসুং রসিয়ানা শৌগৎপা ফাইটরশিংগী মরক্তা লান শোক্লরকখিবদা মীওই ১৩,০০০ হেন্না শিখ্রবনি। নাকল অনীগী মরক্তা অমনা অমবু কুমজা ২০১৫ দা বেলারসকী কেপিটেল মিন্সক্তা য়ানখিবা সীজফায়র খোঙ্গাওনৈ হায়না মরাল শীনখিবনি। কিভ গভর্নমেন্টনা হায়রি মদুদি, পেট্রিভস্কেকী ভিলেজদগী ট্রুপ অমদি খুৎশু-খুৎলায়শিং হোন্দোকপা হৌরিবা অদুনা য়ুক্রেন্না লমদম অদুদা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা পাঙথোক্কদৌরিবা সম্মিট অদু মায় পাকহন্নবা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাং খুদিংমক লৌখৎলি হায়বসি উৎলি।

মোস্কোনা কিভপু সম্মিট অদু থিন্থহন্নবা হোৎনৈ হায়না মরাল শীখিবনি। ফোর্সশিং ৱিথদ্রো তৌবগী মতাংদা য়ানখিবশিং থবক্তা ওন্থোকপদা হৌজিক্তিকি কিভনা অয়েৎ-অপন থোকহন্নবা হোৎনবগী থৌওং অমত্তা চথরক্লোই হায়বগী থাজবা ঐখোয়দা লৈ হায়না কনফ্লিক্ট অদুগা মরী লৈনবা ৱার্কিং গ্রুপ অমগা ৱারী শাননবা থাবা বোরিস গ্রিস্লোভনা ফোঙদোকখি।

ইন্টরফেক্স ন্যুজনা মহাক্কী ৱারোল পল্লদুনা পেট্রিভস্কেদগী ট্রুপশিং লৌথোকপগী প্রোসেস অথুবা মতমগী মনুংদা মায় পাক্না লোইশিল্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

## কম্বোদিয়াগী ওপোজিসন লিদর রেন্সি মালেসিয়াদা থুংখ্রে

কুলা লম্পুর, নবেম্বর ০৯ (এজেন্সি) :
কম্বোদিয়াগী মরন্নাই মপান্দা লোই চৎখিবা ওপোজিসনগী মরু ওইবা মীশক অমা ওইরিবা সাম রেন্সি থাংজ নুমিত্তা মালেসিয়াগী কেপিটেল কুলা লম্পুরদা থুংখ্রে।

কম্বোদিয়াগী ওথোরিটেরিয়ন রুলর হুনসেনগী ওপোনেন্টশিংনা পাঙথোক্কদৌরিবা রেলিদা শরুক য়াননবা ময়ুমদা হল্লক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা ওপোজিসন লুচিংবা অসি খোঙচৎ অমদা মালেসিয়াগী কেপিটেলদা থুংখিবনি।

কুলা লম্পুর ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা থুংবগা সপোর্টরশিংদা পীবা পাউজেলদা রেন্সিনা ওপোজিসনগী খোঙজংদা থাজবা থম্বগা লোয়ননা অচুম্বা মায়কৈদা চৎলি হায়খি। দেমোক্রেসিনা মমৈথংদা শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্না মমাংদা লৈবাক অদুদা মীয়াম্না দিমোক্রেসি শৌগৎখ্রবনি হায়খি।



কম্বোদিয়াদা হন্নবগী থৌরাং লৈব্রা হায়না হংবদা মহাক্না হৌজিকমক্কী ওইনদি কম্বোদিয়াদা হনবগী ৱাফম অসি কনফার্ম তৌবা ঙমদ্রি হায়খি। ভেটরন ওপোজিসন লিদর অসিনা কম্বোদিয়াগী নীংতম নুমিৎ ওইরিবা থাংজ নুমিত্তা লৈবাক অসিদা হন্ননবা থৌরাং তৌখিবদা মদুবু প্রাইম মিনিষ্টর হুন্সেননা চহী ৩০ হেল্লক্লবা মহাক্কী লৈঙাক্কী মায়োক্তা ক্রু অমা পাঙথোক্লবা হোৎনরকপনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

তৌইগুম্বসুং শগোলশেল নুমিত্তা পেরিসতা সাম রেন্সিবু বেঙ্কোক য়ৌনা পাইগদবা থাই এয়রৱেজগী ফ্লাইট অমা তোংবা য়াহনখিদে। মহাক অমসুং অথিংবা থমখ্রবা ওপোজিসন পার্টিগী অতৈ লুচিংবশিংনা থাইলেন্দগী বোর্দর লান্না মখোয় কম্বোদিয়াদা হনবা পাম্মী হায়না ফোঙদোকখিবনি।

পনবা য়াবদি, কম্বোদিয়াগা মালেসিয়াগা বোর্দর লোন্নবা লৈতে। থাইলেন্দদা রেন্সিগী অথিংবা থমখ্রবা কম্বোদিয়া নেসনল রেস্ক্যু পার্টি (সী এন আর পি)গী ওফিসল অমনা কনামত্তনা থাংজ নুমিত্তা কম্বোদিয়াদা লাক্লরোই হায়খি।

কম্বোদিয়া রেস্ক্যু পার্টি ওভরসিজগী জেনরেল সেক্রেটরি সাউৱি পোলনা রোইটর্সতা ৱা ঙাঙলদুনা অথুবা মতমগী মনুংদা মখোয় কম্বোদিয়াদা লাক্লগনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা থাইলেন্দদা পার্টিকী ওফিসল খরা হরাসমেন্ট পীখি অমসুং মখোয়বু সিক্যুরিটি সর্ভিসশিংনা ইন্নখি হায়না ফোঙদোকখি।

## চিলিগী দোক্তর অমসুং নর্স ১০০ হেন্না লম্বীদা থোক্তুনা থবক তৌখ্রে



সান্তিয়াগো, নবেম্বর ০৯ (এজেন্সি) :
চিলিদা চয়োল খরগী মমাংদা মীয়াম্না গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা অকনবা প্রোটেষ্টশিং চথবা হৌখিবা মতুং ইরাই নুমিত্তা লৈবাক অসিগী দোক্তর অমসুং নর্স ১০০ হেন্না লম্বীদা থোক্তুনা অশোক-অপনাং লায়েংনবা হোৎনখ্রে।

মেট্রো ফ্যেরশিং হেনগৎপগী মায়োক্তা হৌখিবা প্রোটেষ্টশিং অদু য়াম্না থুনা শাথিবা রাইওটশিং ওল্লক্তুনা ইরাং হৌরিবশিংগী মরক্তগী লুট পাট তৌবা অমদি প্রোপর্টিশিং মৈ থাবনচিংবা য়াওরকখিবনি। মমৈথংদা প্রোটেষ্টশিং অদুদা য়াওরিবা মীয়াম্না লৈবাক অসিদা পাক্তক্লনা উবা ফংলিবা সোসল ইনজষ্টিসশিং অমসুং সিটিজনশিংগী মরক্তা থোং মান্নদবগী ফিভমশিং লৈহন্দনবা দিমান্দ তৌখি।

পুলিস অমসুং মিলিটরি ফোর্সশিংগা প্রোটেষ্টরশিংগা খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং হেনগৎলকখি। লম্বীদা ওথোরিটিশিংগী মায়োক্তা ইরাং হৌরিবশিংদা হেল্থ কেয়রগী খুদোংচাবা ফংহনগদবনি হায়বা খোল্লাও অমগা লোয়ননা দোক্তরশিং অমসুং নর্সশিং চিলিগী লম্বীশিংদা থোক্তুনা ওথোরিটিশিংগী কা হেনবা থৌওংশিংগী মায়োক্তা থবক তৌবা হৌখিবনি।

ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না প্রোটেষ্টশিং অদুদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং প্রোটেষ্টরশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লবদা মীওই ২০ হেন্না শিখ্রে অমসুং প্রোটেষ্টর ২০০০ রোম অশোক-অপন নংখ্রে। ঐখোয়না লম্বীদা থোক্তুনা থবক তৌরকপা অসিদা য়ামদ্রবা অশোক-অপন নংলবা মীওই ৫০০ দা মতেং পাংখ্রে হায়না ডা. জুৱান ভিলাগ্রা কৌবা অমনা রোইটরর্সতা ফোঙদোকখি।

দোক্তরশিং অমসুং নর্সশিং অদুনা মরু ওইনা লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী চাওবা প্রোটেষ্টশিংগী মফম ওইরিবা সেন্ট্রেল সান্তিয়াগোদা লৈবা স্কৱার প্লাজা ইতালিয়াগী অকোয়বদা থবক তৌনবগী পান্দমদা লম্বীদা থোক্লকপা হৌখিবনি হায়রি।

## য়ু এস এয়রলাইন্স অনীনা বোইং ৭৩৭ মেক্স মার্চ ফাওবা শীজিন্নখিরোইদৌরি

ৱাশিংটন, নবেম্বর ০৯ (এজেন্সি) :
য়ু এসকী সাউথৱেষ্ট এয়রলাইন্স অমসুং অমেরিকান এয়রলাইন্সনা বোইং ৭৩৭ এয়রক্রাফট মথং চহী ২০২০ মার্চ ফাওবা শীজিন্নরোই হায়না লাউথোকখ্রে।

সাউথৱেষ্ট এয়রলাইন্সনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা, এয়রলাইন্স অসিনা বোইং ৭৩৭ মেক্স এয়রক্রাফট পুম্নমক মার্চ ৬ ফাওবদি মখোয়গী ফ্লাইট সেদ্যুলদা য়াওহনখিরোই। খোঙথাং অসিনা এয়রলাইন্স অসিগী ওইনা প্লেন অদুবু মহৌশাগী সর্ভিসতা হঞ্জিনহনবগী মতম য়ু এসকী অতৈ করিয়রদিগী শাংথহল্লগনি। অমেরিকান এয়রলাইন্সনসু মার্চ ৫ ফাওবা এয়রক্রাফট অদুবু শীজিন্নদনবা ৱারেপ লৌখ্রে।




হান্নদি সাউথৱেষ্টনা বোইংগী এয়রক্রাফট মোদেল অদু কুমজা ২০২০ গী ফেব্রুৱারি ৮ ফাওবা শীজিন্নরোই হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা অমেরিকান এয়রলাইন্সনসু মেক্স ৭৩৭ প্লেনশিং জন্যুৱারি ১৮ ফাওবা পাইরোই হায়না ফোঙদোকখিবনি।

কুমজা ২০১৮ গী ওক্তোবরদা লাইওন এয়রগী ফ্লাইট ৬১০ কায়খিবা অমসুং কুমজা ২০১৯ গী মার্চতনা ইথিওপিয়ন এয়রলাইন্স ফ্লাইট ৩০২ কায়খিবদগী বোইংগী এয়রক্রাফট মোদেল অসি মালেম পুম্বগী ওইনা শীজিন্নবা লেপ্পকখিবনি। অহানবগী মেক্স ৭৩৭ কায়বগী থৌদোক অদুদা ক্রু য়াওনা পুন্না মীওই ৬১০ শিখিবনি অমসুং অকোনবগী ক্রাস অদুদনা মীওই ৩৪৬ শিখিবনি। সাউথৱেষ্ট এয়রলাইন্সকী ফ্লিটতা য়াওরিবা প্লেন পুম্নমক মেক্স ৭৩৭ ঙাক্তনি। মসিনা মরম ওইদুনা এয়রলাইন অসিনা বোইংগী প্লেন মোদেল অসিবু শীজিন্নবা লেপ্পবা ৱারেপ লৌখিবা মতমদা ফ্লাইট লিশিং কয়া কেন্সেল তৌখি। য়ু এসতা এয়রলাইন্স অসিনা বোইং মেক্স ৭৩৭গী খ্বাইদগী চাওবা কষ্টমরনি। এয়রলাইন্স অসিগী ফ্লিটতা হৌজিক মেক্স ৭৩৭ প্লেন ৩৪ লৈবগা লোয়ননা মখা তানসু প্লেন ২০০ ওর্দর তৌখিবনি।

## ওষ্ট্রেলিয়াদা লাম্মৈ চাকপদা ৩ শিরে, য়ুম ১৫০ মাঙ-তাকখ্রে



মেলবোর্ন, নবেম্বর ০৯ (এজেন্সি) :
ওষ্ট্রেলিয়াগী নোংপোক থংবা লমদমদা লৈরিবা নারক মোংশোং কয়া পাক শন্না লাম্মৈ চাকখিবগা লোয়ননা য়ামদ্রবা মীওই ৩ শিখ্রে, মীওই ৪না থিবা খঙখিদ্রে অমসুং য়ামদ্রবদা য়ুম ১৫০ রোম মাঙ-তাকখ্রে হায়না থাংজ নুমিত্তা ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

সিদনি সিটিগী অৱাং রোমদা কিলোমিটর ৫৫০ হেন্না লাপ্পা লৈবা গ্লেন ইন্নিসকী মনাক্তা মৈ চাকপদা মীওই অনী শিখ্রে হায়না ন্যুজ সাউথ ৱেলস রুরল ফায়র সর্ভিসনা ফোঙদোকখি।

অশিবা হকচাং অমা গাড়ি অমদা য়াওরম্বা থেংনখি অমসুং নুপী অমনা ইরাই নুমিত্তা মশা কা হেন্না মৈ ৱাইবদগী শিখি।

ন্যুজ সাউথ ৱেলস পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা, সিদনিগী অৱাংলোমদা কিলোমিটর ৩০০ লোম লাপ্পা লৈবা টাউন অমা ওইরিবা টারিগী অৱাংদা মৈনা চাকখ্রবা য়ুম অমদা অশিবা হকচাং অমা লৈরম্বা থেংনখি। পুলিসকী মতুং ইন্না য়ুম অদু মশাগী ৬৩ শুরবা নুপী অমগীনি। তৌইগুম্বসুং ভিক্তিম অদুগী মশক মমিং লেপ্পবা অমসুং শিবগী মরম খঙননবা পোষ্টমোর্টেম পাঙথোকপগী তঙাইফদবা লৈখি।

থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংগী ফাওবদা য়ুমদ্রবদা মীওই ৪ থিবা খঙখিদে। অহুমশুবা মীওই শিরম্বগী মতাংদা কনফার্ম তৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা প্রাইম মিনিষ্টর মোরিসন্না অশিবশিংগী মশিং হেনগৎলকপা য়াই হায়বগী অকিবা ফোঙদোকখিবনি। পাক শন্না লাম্মৈ চাকপা অসিদা মীওই ২ শিখ্রে। ঐখোয়না লম্বী ফাওনবা ঙম্লমদবা মফম কয়াদা চঙশিনবা মতমদা অৱাবগী মশক ওইরবা পাউ কয়া তাগনি হায়বগী অকিবা লৈরে হায়না মোরিসন্না লৈবাক মীয়ামদা ৱা ঙাঙবদা হায়খি।

## অজাদি খোঙচৎতা য়াওবা কয়া ময়ুমদা হন্নখ্রে

ইস্লামাবাদ, নবেম্বর ০৯ (এজেন্সি) :
নোং চীংগী ফিভম্না অহোংবা খরা লাকখিবগা লোয়ননা হৌজিক্কী পাকিস্থান গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা জামিয়েট উলেমা-আই-ইস্লামনা শীন্দুনা পাঙথোক্লিবা অজাদি খোঙচত্তা শরুক য়ারিবা মীওই কয়া ইস্লামাবাদতা লৈরিবা কেম্প থাদোক্তুনা ময়ুম ময়ুমদা হন্নখ্রে হায়না থাংজ নুমিত্তা মিদিয়া রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক্কী অতৈ মফম কয়াদগী লাকখিবা মীওইশিং হৌজিকসু মখা তানা মফম অদুদা কেম্প তৌদুনা লৈরিবা ওইরবসু হৌখিবা ওক্তোবর ৩১ দা অজাদি খোঙচৎ অদুদা য়াওশিনখিবা লোকেলশিংদি নোং কন্না চুবা অমসুং ঈংবনা মরম ওইদুনা ময়ুম ময়ুমদা হন্নখি হায়না দোন ন্যুজকী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।



জেলম, চাকৱাল, অর্টোক অমদি থংনবা মফমশিংদগী প্রোটেষ্ট অদুদা য়াওখিবা মীওই খরদি নোং কন্না চুরকখিবা মতুংদা ময়ুম ময়ুমদা হন্নখি। হৌখিবা চয়োলগা চাংদম্নবদা কেম্প অদুদা লৈরিবা মীওইশিংগী মশিং হন্থখি।

খাইবর পাখতুনখ্বা, বালোচিষ্টান, সিন্দ অমসুং ইন্টর পঞ্জাবতগী লাকখিবা মীওই অয়াম্বদি হৌজিকসু কেম্প অদুদা লৈরি হায়রি। ইরাই নুমিত্তা নুমিৎ ৯ নি শুরবা চাওরবা অজাদি খোঙচৎ অদু জে য়ু আই-এফকী চীফ মৌলানা ফাজলুর রেহমন্না লুচিংলিবনি। প্রোটেষ্টরশিং অদুনা প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান মফম থাদোক্লবা দিমান্দ তৌরি। মখোয়না মহাকপু কুমজা ২০১৮ দা পাঙথোকখিবা মীখলদা অরান-অহুই কয়া চথখি হায়না মরাল শীরিবনি। পনবা য়াবদি, ইস্লামাবাদতা খোঙচৎ অদু হৌখিবদা পাকিস্থানগী আর্মি চীফনা লৈবাক অদুগী ইলেক্তেদ গভর্নমেন্ট শৌগৎলি হায়না ফোঙদোকখিবনি।